Refreshingly Readable
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

আই এফ দি গ্রুপ ওফ কম্পেনিনা মেন্যু-ফেকচরিং য়ুনিট ওইরগা ফর্নিচরশিং ফংহল্লিবা *ঐ ফর্নিচর* শোরুম শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়দা হাংদোকপগী শক্তম

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চান্দেল খৃষ্টিয়ান ভিলেজতগী জুলিঙম অনাল কৌবা মীওই অমগী য়ুম তুম্না মৈ চাকখ্রবা তুংদা হৌজিক ওইরিবা শক্তম

এঞ্জেলস কোচিং সেন্টর কম বোর্দিংগী ফাউন্দর বুধিচন্দ্রনা কুমজা ২০১৭, মেট্রিক এগজামদা ৪শুবা পোজিসন তাখিবী রোজারিয়াদা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপা

রিলিফ সেন্টর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন অমদি দিসএবল্ড দিভলপমেন্ট এসোসি-এসননা পাঙথোকপা হোম বেজ কাউন্সেল্লিং প্রোগ্রাম

Vol. 41, Issue No.272 | য়ুমশকৈশা, ৱাকচিং ৯নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, December 27, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৯২
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৭.৬১

শিংজমৈদা *ঐ ফর্নিচর* শোরুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ : আই এফ দি গ্রুপ ওফ কম্পেনিনা মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট ওইরগা পুথোকপা ফর্নিচরগী পোৎলমশিং ফংহল্লিবা *ঐ ফর্নিচর* শোরুম শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়দা ঙরাং রিটয়ার্দ লেকচরর য়েংখোম পুস্করনা রিবন কত্তুনা হাংদোকখ্রে।

মালেমগী অমদি লৈবাকসিগী তোঙান তোঙানবা মমিং লৈরবা কম্পেনিশিংনা পুথোকপা ফর্নিচরগী আইটেমশিংগা চাংদম্নবা য়াবা মওংদা লমদমসিদা শাদুনা পুথোক্লিবা ফর্নিচরগী পোৎলমশিং ফংহল্লিবা *ঐ ফর্নিচর* শোরুম অসি হাংদোকপগা মরী লৈননা আই এফ দি গ্রুপ ওফ কম্পেনিগী মেনেজিং দিরেক্টর য়েংখোম দেভসন্না হায়খি, শোরুম অসিদা ফংলিবা ফর্নিচরগী পোৎলমশিং অসিগী মেন্যুফেকচরিং য়ুনিটনা ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈ। অদুগা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

FOREX (INDIA RUPEES)	
FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	75.996117
US Dollar	64.039747
British Pound	85.592934
Australian Dollar	49.441250
Chinese Yuan Renminbi	9.784415
Japanese Yen	0.565553
Malaysian Ringgit	15.692338
Vietnamese Dong	0.0028
Singapore Dollar	47.670066
South Korean Won	0.059598
Philippine Peso	1.28000
Thai Baht	1.954573
Myanmar Kyat	0.04699
Bangladesh Taka	0.77074

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 29572.19
Mumbai	–	Rs 30245.99
Delhi	–	Rs 29786.10
Kolkata	–	Rs 30449.20

HL POLL

Q : Lamphelpat nouna shemgatnaba dept. 3gi lam water resources dept. ta transfer touba yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Leingakna semkhiba SIT na pikhatkhiba report thabakta onthoktribasi aranba kankhatpani loubra?

Yes 90% No 10%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

শেঙ্গা-থুমজা তৌরগুমসি...!



ভোট কানবা হোৎনবদা চঙখিবা ক্রোর ময়ামদুদি কমদৌবা...!

থৌবাল দাম শাবা লোয়রে : এস ঈ

‘ঈশিং পুনবা টন্নেল ১ হুৎপা লোয়রে, পাইপ ফুম্বা চাদা ৮০ লোয়শিল্লক্লে’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচ এন এস): মণিপুরগী মীয়াম খায়বোক অমদা ঈশিং পীননবা পান্দমগী মখাদা পায়খৎখিবা থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী দামগী শরুক শাবা লোয়বগা লোয়ননা দাম অসিগী মথক্তা ষ্টেনলেস ষ্টিলগী রেল্লিং হাপ্পসু লোয়রে হায়না প্রোজেক্ট অসিগী সুপরিন্টেন্দিং এঞ্জিনীয়র (এস ঈ) পি ইঙোচানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংশিনবা চৎপগী খোঙচৎতা ইঙোচানা হায়খি, দাম অসিগী মথক থংবা শরুক্তা ষ্টেনলেস ষ্টিলগী রেল্লিংসু হাপ্পা লোয়রে। মসিগীসু মথক্তা ঈশিং পুরক্কনবা নোংমাইজিং চীংগী টন্নেল অমা হুৎপা লোয়রে অমসুং পাইপ ফুম্বগী থবক চাদা ৮০ লোয়শিল্লক্লে।

দাম অসিগী অশাংবা কিলোমিটর ১.০৭ গী নাকল অনীমক্তা ষ্টিল রেল্লিং হাপ্লে। নাকল অনী পুনশিল্লগা পূন্না কিলোমিটর ২.১৪ রোমনি। মসিদা হাপ্লিবা ষ্টেনলেস ষ্টিল অসি গুজরাটতা বেজ তৌবা জিন্দাল কম্পেনিনা শাবনি। কনাগুম্বশিংনা ক্বালিটি লৈতবগী মওংদা ফোঙদোকপা য়াওই। মসি ক্বালিটি লৈবা ষ্টেনলেস ষ্টিলনি। রেল্লিং হাপ্পগী থবক লোয়শিল্লক্লে। স্পিলৱে পানখৎপসু লোয়রে। দাম অসিগী শরুকশিং শেম শাবা লোয়শিল্লকপগা লোয়ননা মতম অমদা হেক্তা শঙ্গাবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টতগী ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিং পুনবগীদমক টন্নেল অনী হুৎপগী মনুংদা অমা লোয়রে। টন্নেল অমনা চাদা ৮০গী চাংদা হুৎপা লোয়শিল্লক্লে। টন্নেল নম্বর ১ গী অশাংবনা ২.২৮ কিলোমিটরনি। মসি কোষ্টেল কৌবা কম্পেনি অমনা পায়বনি। টন্নেল অসি চাদা ৮০গী চাংদা হুৎপা লোয়রে। টন্নেল নম্বর ২ অসিনা ৯২১ মিটর রোম শাংবনি। মসি সুচি কৌবা কম্পেনি অমনা পায়। টন্নেল অসি হুৎপা লোয়রে। থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টতগী চীঙ্খৈ চীং রিজার্ভর ফাওবা পাইপনা ঈশিং পুরক্কদবনি। রিজার্ভর ফাওবা য়ৌরক্কদবা পাইপ তিংবগী থবক চাদা ৮০ রোম লোয়শিল্লক্লে। হুৎলিবা টন্নেল অনী অসিগী মনুংদা ৯২১ মিটর শাংবা টন্নেল অসিনা তখেল এরিয়াদা হুৎলি। অদুগা ২.২৮ কিলোমিটর শাংবা টন্নেল অসিনা ওক্সু এরিয়াদা হুৎলি। থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টতগী পুরক্কদৌরিবা ঈশিং অসিনা চীঙ্খৈ চীংগী রিজার্ভরদা থাদরগা ৱাটর সপ্লাইগী থবকশিং পায়খৎখিগদবনি।

প্রোজেক্ট অসিগী মরুওইবা কম্পোনেন্ট অহুমনি। কম্পোনেন্টশিং অদুদি ইরিগেসন, ৱাটর সপ্লাই অমদি পাৱর জেনরেসননি। পাৱর জেনরেসনগী ওইনা এন ঐচ পি সীনা থবক পায়গনি। মসিগীদমক কম্পেনি অসিনা য়েংশিনবা হৌখ্রে। ইরিগেসনগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

লৌমীশিংনা লোকখ্রবা চাকহাও মপান্দা থাদোক্নবা থৌরাং হৌখ্রে

ঈচাওনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী পান্দম য়ৌবা ঙমহনখিদ্রে

অসেম বেবিচা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচ এন এস): হীদাক ওইনা শীজিন্নবসু য়ারবা মণিপুরগী মমিং লৈরবা চাকহাও মালেমগী কৈথেলশিংদা য়ৌখিনবা অহানবা খোঙথাং ওইনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মপান্দা থাদোক্ননবা থৌরাং শীনবা লোয়খ্রে।

অদুমওইনমক এগ্রিকলচর দিপার্ট-মেন্টনা মিসন ওর্গানিক ভেল্যু এন্দ দিভলপমেন্ট ইন নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন হায়বা স্কিমগী মখাদা ষ্টেট অসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা লোক্কনি হায়না থমখিবা চাকহাওগী পোথোক অদুদি ঈশিং ঈচাও তোয়না থোকখিবনা য়ৌবা ঙমখিদ্রে হায়রি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী মচীন চৎপা মীশক অমনা পাউচে অসিদা হায়, মিসন ওর্গনানিক ভেল্যু এন্দ দিভলপমেন্ট ইন নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন হায়বসি হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা নোদেল এজেন্সী ওইরগা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকা পূন্না পায়খৎমিন্নবনি।

হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওইনদি স্কিম অসিগী মখাদা সিং, চম্প্রা অমসুং য়াইঙংনচিংবদা ওর্গানিক ওইবা পোৎলমশিং পুথোক্ননবা থবক তৌই। অদুগা, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকীনা চাকহাও চেঙ পুথোক্ননবা মীৎয়েংগী মখাদা থবক তৌদুনা লাকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, স্কিম অসিগী গাইদলাইনগী মতুংইন্না সার্ভিস প্রোভাইদর অমগা মেমো-রেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং তৌনদুনা চহী ৩গী ওইবা স্কিম ওইনা পায়খৎপনি। হন্দক্কী চহী অসিনা অনীশুবা চহীনি। স্কিম অসিগী মখাদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা চাকহাও থাননবা মরূ সার্ভিস প্রোভাইদরদা পী। অদুগা, ফৌ থাবদগী লোকপা ফাওবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা য়েংশিল্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী টার্গেটতি পূন্না চাকহাও মেট্রিক টন ৫,০০০ পুথোকপনি। অদুবু, কুমশি চহী অসি কুম ফত্তবা হায়বদু ওইখিবনা হায়বদি নোং য়াম্না তাবা অমসুং ঈশিং ঈচাও তোয়না থোকখিবনা মরম ওইরদুনা চাকহাও থাবা লৌ পরি ৭৫৮ ঈশিংনা লাকহৎখি। পূন্না লৌ পরি ২০০০ দা হায়বদি বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবালদা লৌ পরি ৫০০/৫০০ দা চাকহাও থাখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, অপূনবা লৌ পরি ১,২৪২ রোম অসিদা চাকহাও মেট্রিক টন ২০০০ গী মথক্তা লোকখি। চাকহাও লোকপগী চাং অসি ইম্ফাল ইষ্টতনা মেট্রিক টন ৪১৬, ইম্ফাল ৱেষ্টতনা ৫১২, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতনা মেট্রিক টন ৪৯৯ অমসুং *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

বেঙ্ক ৩২ দগী অমা খল্লগা এন জি ওশিংনা বেঙ্ক একাউন্ট হাংগদবনি

দিল্লি, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) : মপান লৈবাক্তগী ইন্দিয়াদা ফন্দ থাদবগী থৌওং মনুং-মপান ফাওনা উবা ফংনবা অমসুং ফোরন কন্ট্রিব্যুসন রেগ্যুলেটরি এক্ট (এফ সী আর এ) কী ৱাংমদা থবক তৌবা ঙমহন্দনবগী পান্দমদা হোম মিনিষ্ট্রিনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎখ্রে। থৌরাং অসিগী মখাদা মপান লৈবাক্তগী ফন্দ লৌথবা এন জি ও, বিজনেস ইষ্টাব্লিসমেন্ট অমদি লন্নাই মীওই খূদিংমক্না ডেজিগনেটেদ বেঙ্ক ৩২ দা থা অমগী মনুংদা একাউন্ট হাংগদবনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা থাদোরকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি এফ সী আর এদা রেজিষ্টর তৌরবা এন জি ও অমদি বিজনেস ইষ্টাব্লিসমেন্ট পূম্নমক্না এক্ট অসিগী সেক্সন ১৭ তা পীরিবা ৱারোল মতুং ইন্না অখন্নবা বেঙ্ক ৩২ দা একাউন্ট হাংগদবনি। নোটিস অসি ফোংবা নুমিৎতগী পারগা থা অমগী মনুংদা বেঙ্ক একাউন্ট হাংবগী থবক লোইশিনগদবনি হায়রি।

মমাঙদা মপান লৈবাকশিংদগী থাদরকপা য়াল্লবা শেনফম কয়া মতৌ করম্না শীজিন্নখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদবগী তানফম কয়া য়াওখ্রে। এফ সী আর এগী ৱাংমদা মপানদগী লৌথবা শেনফমশিং অরানবা মওংদা শীজিন্নখিবগী খুদমসু ফংলে। হায়রিবা থৌওংশিং অদু মখা তানা চথবা ঙম-হন্দনবগী পান্দমদা হোম মিনিষ্ট্রিনা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন অদুনা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

‘দষ্টবিন থমদ্রবদি দুকানগী লাইসেন্স পীরোই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ম্যুনিসিপালগী মনুংদা লৈরিবা দুকানশিং দষ্টবিন থমদ্রবদি কুমজা ২০১৮ দগীদি লাইসেন্স ইস্যু তৌরোই হায়না মাহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্লাসিক গ্রান্দে ইম্পরিএল হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা এস পি গ্রুপ প্রাইভেট লিমিটেদকী প্রদক্ট লোঞ্চিং অমদি এৱার্দ দিষ্ট্রিব্যুসন ফঙ্কসনদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মাহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, মথং চহী হৌরকপদগীদি ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা লৈরিবা দুকান খূদিংমক লাইসেন্স পায়গদবনি। দুকান খূদিংমক দষ্টবিন থম্বা তঙাইফদে। অচৌবা শোপ্পিং কমপ্লেক্সকী ওইনা লাইসেন্স ফংনবগীদমক বেজমেন্টতা পার্কিং ফেসিলিটি লৈগদবনি। থবক অমা পায়খৎপা মতমদা পূকচেল শেংনা পায়খৎপা চঙই। মহাক্কী দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী পোৎলম কয়া লৈগনি হায়নসু এস পি গ্রুপতা থাজবা থমখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়খি, পূন্সিদা মায় পাক্নবগীদমক থবক কন্না শুবা অমদি ষ্ট্রগল হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। ওন্ট্রপ্রেন্যুর কয়া শেমগৎনবগীদমক মীৎয়েং চঙবা তাই। এস পি গ্রুপকী ইমপ্লোয়ীশিংনা হোৎনরিবা কয়া অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। হ্বাইট কোলর জোব *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

জিওফ্রি : মণিপুরনা লাইরিক ময়েক চৎপগী চাং চাদা ৮০ ওইরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী ওইনা লাইরিক ময়েক চৎপগী চাং চাদা ৭৫ ওইবদা মণিপুরনা চাদা ৮০ ওইরি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ডেপ্যুটি কম্মিস্নর নিংথৌজম জিওফ্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দদা লৈবা লিলাশিং খোংনাংখোঙ হায় স্কুলদা পাঙথোকপা স্কুল কারক্ত্রবা অঙাংশিং মতৌ করম্না অমুক হন্না স্কুল কাহনগদগে হায়বা হীরমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জোন-১গী জেনেল এদ্যুকেসন ওফিসরনা শীনবা ট্রেনিং প্রোগ্রামদা মহাক্না হায়খি, মণিপুরনা লাইরিক ময়েক চৎপগী চাং চাদা ৮০ ওইবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা চাদা ৮৬ ওইরি। অদুবু, লৈঙাক্কী পান্দমদি ষ্টেট অসিদা লাইরিক ময়েক চৎপগী চাং চাদা ১০০ ওইহনবনি।

মহাক্না হায়খি, পান্দম অসি ফংননবগীদমক লৈঙাক্কী এজেন্সীশিং হায়বদি, সর্ভশিক্ষ্য অভিয়ান (এস এস এ) অমসুং রাষ্ট্রিয়া মধ্যমিক শিক্ষ্য অভিয়ান (রমসা) গী মখাদা অকনবা থবক লৌখৎলি। মসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীওইশিং, মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং অমসুং লন্নাই লূপ কয়ানা লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিবু শৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিখক্তনা লৈঙাক্না থল্লিবা পান্দম অসি য়ৌহনবা ঙমগনি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরন কুমারনা হায়খি, ট্রেনিংসি এদ্যুকেসন ভলন্টিয়রশিংনা মহৈ তমদবা অমসুং তম্নম্বদগী তোকখ্রবা অঙাং কয়াম লৈবগে *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ফিশাবীশিংনা তঙাইফদনা আই-কার্দ লৌগদবনি : বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা পায়খৎপা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবা লৌননবা তঙাইফদনা ফিশাবীশিংনা ৱিভর আইদেন্টিটি কার্দ (ফিশাবীশিংগী শক্তাক চে) লৌহৌগদবনি হায়না কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা এৱেয়রনেস কম বাইওমেট্রিক রেজিষ্ট্রেসন ওফ হেন্দলূম ৱিভরগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, লৈঙাক্কী স্কিমশিংগী কান্নবা লৌবদা ফিশাবীশিংনা ৱিভর আইদেন্টিটি কার্দ চঙবা মরম্না আইদেন্টিটি কার্দ লৌননবা চে থারকপশিং লৈঙাক্না পূক্নিং থৌগৎকনি। মসি লৌননব-গীদমক ফিশাবীশিংনা মখোয়গী মথৌ তাবা চে-চাংশিং পীখৎলক্কদবনি। ফিশাবীশিংনা শেল ইচঙ চঙদনা শেন্থোক লৈননবগী পান্দমদা সোলর পাৱর লূম পীননবা সেন্ট্রেল গভর্ণ-মেন্টনা হোৎনরি।

মহাক্না হায়খি, মিসন ফোর ইকনমিক ইম্পাৱরমেন্ট ওফ ট্রেদিসনেল আর্টিসান্স/ক্রাফটসমেন (মীটেক) ইষ্টাব্লিশ তৌনবগীদমক রেজিষ্ট্রেসন তৌবা লোয়শিল্লক্লে। মিসন অসি পায়খৎপগী মরুওইবা মীৎয়েংদি মশানা মশাবু থবক পীজবা অমদি ষ্টেট অসিগী ট্রেদিসনেল আর্টিসান্স অমদি ক্রাফটসমেনশিংগী ইনক্লুসিব দিভলপমেন্ট অমদি ইকনমিক ইম্পাৱরমেন্ট পীবনি। ষ্টেট অসিগী ফিশাবীশিং য়োকখৎনবা লৈঙাক্না মীৎয়েং থল্লি।

হেন্দলূম অমদি হেন্দিক্রাফট দেলিভরি স্কিমসু লোঞ্চ তৌখ্রে। মসিনা ফিশাবীশিংগী মতম মাঙহন্দনবা অমদি পোথোক হেন্না পুথোকহন্নবগী মীৎয়েং থল্লি। ফিশাবীশিংনা ট্রেনিংশিং নীংথিনা তৌবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী ওইবা স্কিমশিংগী কান্নবা ফংনবা হোৎনগদবনি। ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ হায়বসি থবক ফংদবগী প্রোব্লেম হন্থহন্নবগী মরু ওইবা লন্বী অমনি।

লোইতাং খুনৌদা লৈরিবা স্পিন্নিং মিল অসিসু হিংগৎহন্নবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙলি। মোরে অমদি জিরিবামদা *...মখা লামায় ৩ কলম৪*

ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিএসনগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিএসনগী ৩৩রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা ইমা লাইখুলেম্বী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিব্যুটর ৫দা সাইকল খূদোল তমখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস এসোসিএসন (নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট, ম্যান্মার এন্দ চাইনা)গী প্রসিদেন্ট খুরাইজম রতনকুমারনা হায়খি, মণিপুরদা পাউচে য়েন্থোকপা হায়বসি মুকুন্দো কৌবা অমনা হৌদোকখি। মতমদুদা মহাক্না খবর-খবর হায়না লাউদুনা চৎখি। কুমজা ১৯৭২গী মমাংদা অমদি মতমদুদা লৈরম্বা এদিটর অমসুং রিপোর্টরশিংগী থৌনা য়াম্না লৈরম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কোন্সম ইবোতোম্বনা হায়খি, ন্যুজপেপর সেলস অমদি দিষ্ট্রিব্যুটরশিংনা মাগী-মাগী মথৌদা ফগৎনবা হোৎনসি। থবক তৌবা মতমদা হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

SPECIAL OFFER
10 INAUGURAL Discount
VALID TILL 3rd Jan'2018
AVIATION & HOSPITALITY ACADEMY
www.aptechaviationacademy.com
Aptech AVIATION & HOSPITALITY ACADEMY
Pick hot careers in
Aviation
Cabin Crew
Ground Staff
Customer Service Executive & more...
Hospitality
Front Desk Assistant
Guest Relationship Officer
Housekeeping Supervisor & more...
100% Placement Assistance
ADMISSION OPEN
1st Batch Commencing from 3rd Jan'18
For more detials, please visit:
YAIPHKOL BUILDING, Singjamei Parking.
☎ +91 8414808200
+91 7085440528
HL-B/4286/17/12-18/01

ALL MANIPUR COMMAND AREA DEVELOPMENT EMPLOYEES' ASSOCIATION (AMCADEA)

Regd. No. 236 of 1987 (Affiliated to AMTUC)

PRESS RELEASE

K. Lokeshwor Singh, i/c Addl. Chief Engineer, CADA is due to retire on 31st Dec. 2017, Manipur Government inspite of its stated Policy not to give service extension after superannuation is processing to extend his services by proposing a cabinet memo to be placed before the cabinet. This is strongly opposed by the All Manipur Command Area Development Employees' Association as it violates the fundamental right of equality and equal opportunities to the junior officers and staff. Therefore the Association had submitted memorandum on 23rd Dec. 2017 to the Principal Secretary (CAD) with copies to the Hon'ble Chief Minister, Hon'ble Minister (CAD) and Chief Secretary, Manipur against the service extension of the Addl. Chief Engineer, CADA.

Sd/- **Kh. Kunje Singh**
Secretary, AMCADEA

HL-P/4854/27

LOAN AVAILABLE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
Vehicle Loan
Pension Loan
Service Loan
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
HL-P/4077/14Dec.-14Jan.

ঈ-পাঊা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১, ২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫